ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৬.৮৫০C
খ্বাইদগী ঈংবা ০২.১৮০C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৬.০১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪৮

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 88.345312 |
| US Dollar | 81.602956 |
| British Pound | 99.530557 |
| Australian Dollar | 56.889353 |
| Chinese Yuan Renminbi | 12.123463 |
| Japanese Yen | 0.635782 |
| Malaysian Ringgit | 18.905880 |
| Singapore Dollar | 61.814481 |
| South Korean Won | 0.065881 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.760788 |
| Thai Baht | 2.471762 |

## GAS NEWS

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-31-12-2022,**
VALID FROM 26-12-2022,
STOCK : 612,
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**PATSOI INDANE**
**BOOKING UPTO DATE**
**STOCK 306 DBTL ONLY**
TIME 8AM TO 11AM
ENQUIRY NO. 7005255105, 9774031231

**POROMPAT INDANE GAS, KONGKHAM LEIKAI, NEAR WATER SUPPLY:**
**BOOKING UP 15/12/2022**
Valid from 25/11/2022
#Pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries during office hours: 9366184547.

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f-08-01-23
**B/upto - 10-01-23**
**Stock-306**
7am to 10am

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto 25/11/2022**
Valid from17/11/2022
**Stock 306 nos.**

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 23/12/2022
**BOOKING UPTO: 26/12/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
For homedelivery:-
Area:
1.Keishampat
2.Khagempalli
3.Kwakeithel
4.Tiddim and Mayai lambi road.
5. Wangkhei
6. Singjamei
7. New Checkon, Palace Compound, Hatta
8. Samurou
9. Langol and National Game Village.
10. Kshetrigao, Naharup and Irilbung.
Please contact through Calls/ SMS/Whatsapp- 9863576002
Timing: 9:00 am to 12:00 pm

**MANIPUR GAS**
**Booking 23/12/2022**
Valid from 06/12/2022, For enquiry and booking Please call to +91-8730954041

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking- Upto date.**
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30.
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.
also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.
In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL.
Encourage online payment.
Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 04/01/2023**
VALID FROM NIL
14kg,10kg,19kg & 5kg
UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
TIMING 08.00 to 10.00am

# খাঙবোক্তা শান্তিগী মীশি : পুলিসনা মপুরোইবা অমসুং মনাওনুপা কোর্টতা পুথোরকপদা মীয়াম্না থোমজিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): থা অসিগী ৯দা খাঙবোক মখা লৈকায় শঙলেন মনাক্তগী সাইখোম ওংবী শান্তি কৌবী নুপী অমা মপুরোইবগী মনাওনুপাগা খৎন-চৈনবা তৌথি হায়বা থৌদোক্কী মতুংদা নোংঙাল্লগা মশাগী ফমুংদা শিনা লৈরম্বা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসননা ফাদুনা থল্লকখিবা লৈখিদ্রবীগী মপুরোইবা সাইখোম কুমার অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা বিনোয় ঙসি চীফ জ ুদিসল মেজিষ্ট্রেট থৌবালগী কোর্টকী পুথোরক্লবা মতুংদা মখা তানা নুমিৎ মঙানিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী কেসকা মরী লৈননা পুলিসনা ফাদুনা মখোয়গী কষ্টদিদা থল্লকখিবা মীওই অনী ঙসি থৌবালগী কোর্টতা পুথোরকপদা লৈখিদ্রবী শান্তিগী মপামগী মীওইশিংনা কোর্টতা থোমজি ল্লক্তুনা থৌদোক অসিদা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওইশিং বেলদা থাদোকপা য়ারোই। মখোয়গী মথক্তা চার্জশীট অথুবা মতমদা থাগৎতুনা কেস অসিগী ৱায়েল চত্থবগা লোয়ননা ৱারোইশিন পুরক্তুনা অহকপা চৈরাক পীবিয়ু হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি।

অদুম ওইনমক থৌবাল পুলিসনা কোর্টতা থোমজিল্লকখিবা মীয়াম অদুবু লাকশিন্দুনা কন্ট্রোল তৌখি। অদুম ওইনমক ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা সাইখোম ওংবী শান্তিগী মীশি অসিদা চেন্নরিবা মহাক্কী মপুরোইবা কুমার অমসুং মনাওনুপা বিনোয় বেলদা থাদোকপা য়ারোই। মখোয় অনীমক মপুন্সি চূপ্পগী ফাদোক পীগদবনি হায়খি।

## নেসনল ষ্টার্ট অপ দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) : মায় পাক্লবা ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমা ওইরক্ল বগীদমক ইশাদা থবক্কী হৈনবী অমা লৈহনগদবনি অমসুং ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংনা খুন্নাই অসিবু চাওখৎহনগদবনি হায়না হেল্থ মিনিষ্টর ডা. সাপম রঞ্জননা ঙসি ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা নেসনল ষ্টার্ট অপ দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

লৈঙাক্কী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নহা ওইরিবা ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংগী থৌদাং য়াওদনা লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোনদা অহোংবা পুরকপা ঙম্লোই হায়খি।

থৌরম অসিগী ময়ায় তাংবল লৌখিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তকুমারনসু মণিপুরদসু ষ্টার্ট অপ স্কিম হৌদোক্তুনা পায়খৎলক্লিবসি ষ্টেট অসিগী স্কিল অমসুং অন স্কিল নহারোলশিংবু মখোয়গা চান্নবা থবকশিং পীবা ঙম্নবনি হায়খি। হৌজিক্তি ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি চাওখৎলক্লবনিনা ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংগী থবকসু পাকথোক চাওথোকহনবা ঙম্লে হায়খি।

থৌরম অসিদা প্লান্নিংগী দিরেক্টর কুলকারানি অমসুং এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ভি ভুমলুনমাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংনা শরুক য়াখি।

## এক্সিদেন্টদা নুপী ১ শিরে...

*লামায় ১গী মখা...* থোকফমদা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অসি ত্রক অমনা লৈখিদ্রবী নুপী অসিনা তোংলগা মহাক্কী মপুরোইবনা থৌবা টু হ্বিলর অমদা থেংজিল্লবা মতুংদা তুংদা তোংবী লৈখিদ্রবী নুপী অসি গাড়ীদগী তারকপদা ত্রক অসিনা খ্বাংগী মখা থংবা শরুক্তা তকখিবনি।

থৌদোক থোকপগা ফীভম কায়না শোক্লবী মহাক্কী লোয়নবীবু লায়কন্ননবা থৌদোক অসিদা শোক্লবা মপুরোইবনা হোৎনখিবশিং মীয়াম্না উনখি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

## কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা থারম্বা পোপি...

*লামায় ১গী মখা...* চেরোল অমদা নুমিৎ তরানিগী মনুংদা পোপি পান্বীশিং য়াম্থৎনবা মসিবু থাবদা চেন্নরিবা মীওইশিংদা অকনবা ৱার্নিং তৌখিবগা লোয়ননা ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোক্তুবদি অকনবা এক্সনশিং লৌখৎকনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০১৬তগী কে এন ওনা পোপি পান্বীশিং থাবদা অথিংবা থমদুনা লাক্লি। মসিগী মতুংইন্না ভিলেজ চীফ খরনসু থবক্তা ওন্থোরকপা য়াওরে। অদুম ওইনমক লৈঙাক্কা সু তৌনদবা গ্রুপশিংনা পোপি পান্বী থাবগী থবকশিং চত্থরক্লে হায়বগা লোয়ননা থৌওং অসিনা মহৌশাগী ফীভম কায়হন্নবগী মরমসু ওইহল্লে হায়না ফোঙদোরকখি।

## ঙসি ফাওবগী মনুংদা কৈথেলমানবী...

*লামায় ১গী মখা...* নীংথম মহৈ মরোংশিং অসি কংবা য়াওরক্লে হায়খি।

থা অসিগী ১১দা ৱাটর রিসোর্সেস লোয়শঙগী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়র, ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমদি এগ্রিকলচর লোয়শঙগী মকোক থোংবা ওফিসরশিংদা চৎলগা অইবা চে পীশিন্দুনা ঈশিং থাবীরক্লবা হায়রবসু ঙসি ফাওবদা থাবীরক্ত্রে। লৌমীশিংনা দামদা চৎতুনা য়েংলুবদদি দাম মনুংদা ঈশিং ফজনা লৈহৌরি হায়রি। অদুবু কেনেলদা থাবীরক্তবনা মরম ওইদুনা নীংথম মহৈ মরোংশিং পুথোকপা ঙম্লোইদৌরে হায়রি।

মরম অসিনা হয়েং ফাওবগী মনুংদা ঈশিং থাবীরক্ত্রবদি লৌমীশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

## ডা. প্রিয়োসখিনা রিমসকী...

*লামায় ১গী মখা...*পুবা হৌখ্রে হায়রি। ৱাফম অসিগী মতাংদা ঙসি মিনিষ্ট্রি অসিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ডা. পুলকেসকুমারনা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, ডা. এল রঞ্জিৎনা ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টরগী চার্জ পুহল্লকখিবা অদু ডা. ঐচ প্রিয়োসখিনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা দব্লিয়ু পি (সি) নম্বর ৮৬৭ ওফ ২০২২ ফাইল তৌদুনা চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি। কোর্টনা দিসেম্বর ১৯, ২০২২দা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না ডা. ঐচ প্রিয়োসখিদা দিরেক্টরগী অহেনবা চার্জ পুননবা ওর্দর থোকপনি হায়রি।

## মীতৈগী এস টি : মোইরাং কৈথেলদা হ্যমেন...

*লামায় ১গী মখা...* মীতৈ/মৈতৈ অসি হান্না মমাঙথক্তগী হৌনা ত্রাইব ওইনা লাকপনি, মীয়ামগী খোল্লাউ লৈঙাক্লা তাবীয়ু হায়খি।

মোইরাং কৈথেলগী পোৎফম ফন্বী নুপীশিংনসু শরুক য়াখিবা ঙসিগী খোঙজংদা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহল্লু, মণিপুর লৈঙাক্লা রেকমেন্দেসন থাবীয়ু, য়েলহৌমী মৈতৈগী লম কল্লু হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি।

## পোপি পান্বী থাবা মফমশিংগী খুঞ্জাশিংদা...

*লামায় ১গী মখা...* হারুপ হিল রেঞ্জনচিংবদসু পোপি পান্বীশিং থারম্বা থেংনরে হায়খি। মরম অসিনা খুলশিং অসিগী খুঞ্জাশিংনা হায়রিবা ৱার ওন দ্রগসকী মায়োক্তা লৈবা থবকশিং অসি মখা তানা চত্থরক্তনবগীদমক মখোয়দা পীগদবা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) গী খুদোংচাবশিং পীদনবা লৈঙাক্লা ফিরেপ লৌরে হায়রি।

লৈঙাক্কী ফিরেপ অসি খুলশিং অসিগী খুঞ্জাশিংনা মপূং ফানা পোপি পান্বীশিং থাবগী থবক লেপত্রবদি মখা তানসু শাংদোকহল্লকপা য়াই হায়নসু খঙহনখ্রে হায়রি। লোয়ননা লৈঙাক্লা চত্থরক্লিবা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট অসিদা পোপি পান্বী থাদনবা মখল কয়াগী থবকশিং লৌখৎপগা লোয়ননা পুলিস অমসুং ফোরেষ্ট লোয়শঙগী পর্সনেলশিংনা পাক্তক্লনা য়াম্থৎপগী থবকসু চত্থরক্লিবনি হায়রি।

লৈঙাক্লা চত্থরকপা থবক অসিগী মতুংইন্না খুল খরগী খুঞ্জাশিংদি মশানা চোংথোরক্তুনা পোপি পান্বীশিং য়াম্থৎপদা মতেং পাংলকপসু য়াওরে হায়রি। অদুম ওইনমক চত্থিবা এরিএল সর্ভে অসিদা থেংনরকপা পোপি পান্বীশিং থারম্বা মফমশিং অসিগী খুঞ্জাশিংদা হায়রিবা নফসাগী খুদোংচাবশিং অসি পীদনবা লৈঙাক্লা ফিরেপ লৌবনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## সাইকুলগী মফম ১০দা থারিবা পোপি পান্বীশিং...

*লামায় ১গী মখা...* ইরাদিকেসন পোপি প্লান্টেসন হায়বা থৌরমদা শরুক য়াখিবা সাইকুল খুলগী নিংথৌশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঙসিদগী পোপি পান্বী য়াম্থৎপা হৌরগনি হায়বা পাউ তাবদা সাইকুলগী মীওইশিংদি হিংনবগী লম্বী লৈররোই খনবদগী মমিৎতগী মপি তাদুনা কপ্পা ফাওবা য়াওনরে। মরম অদুনা খুল অসিগী নিংথৌশিং ওইনা লৈঙাক্কী ৱার ওন দ্রগসপু শৌগৎপা ওইনা লৈঙাক্লসু সাইকুল খুলগী খুঞ্জাশিংনা অতোপ্পা হিংনবগী লম্বী অমা অথুবা মতমদা শেন্বীয়ু। পোপি পান্বী থাবা লেপ্পগনি হায়না ৱারেপ্পখ্রে। তৌবতবু পোপি পান্বী থাবা লেপ্লবা মতুংদা হিংনবগী লম্বী করিনা ওইহৌগদগে হায়বসি হৌজিকসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সাইকুল এ সীগী এম এল এ কিমনিও হাওকিপ হাংসিংনা ফোঙদোকখিবদা পোপি পান্বীশিং হান্না থাদুনা লৈরম্মী অদুবু ঙসিদি পোপি পান্বী থাবা চাদা ৭০দি হন্থরে। পোপি পান্বী থাবগী মহুত্তা অতোপ্পা হিংনবগীদমক থাবা য়াবা পোৎলমশিং লৈঙাক্লা মরু ওইনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়বীরকপা অসি য়াম্না থাগৎচরি। লোয়ননা মীয়াম্নসু পোপি পান্বী থাবনা লমদম অসিদা পাক চাওনা মহৌশাগী খলদা অমদি তুংগী মীরোলশিংদা কা হেন্না মাঙহন্নীংঙাই ওইরকপা মরম্না পোপি পান্বী থাবগী থবক অসি লেপ্পসি হায়নসু মহাক্লা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সোসল ৱার্কর অমদি ইচমগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট হৌজিক্লা এদভাইজর ওইরিবা নোংথোম্বম রাজেন এলিয়জ বোইনা হায়, ঐখোয় মণিপুরদা ফুরুপ খুদিংমক্কী অপূনবা নিংথৌ হায়রগদি হৌজিক হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা নোংথোম্বম বিরেন অসিনি। মরম অসিনা মীয়ামগী অমদি তুংগী য়াইফনবগীদমক মহাক্লা নিংথৌ অমা ওইনা পোপি পান্বী থাবগী থবক লেপ্পসি হায়বসিদা পূন্নমক্লা য়াফম থোকই। শেল খরা থুনা ফংগনি হায়না ঐখোয় পূন্নমক্তা চাওনা মাঙজবা য়াবা ৱাফম অমা ওইরক্লবনিনা মদু মতম লৈরিঙৈদা তোকহৌবনা ঐখোয়গী তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলশিং কনবা ঙমগদৌরিবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসর ইন চার্জ ডা. রোসন দাংমৈনা ফোঙদোকখিবদা পোপি পান্বী থাবদা শীজিন্নরিবা কেমিকেলশিংনা মরম ওইরগা মীওইবগী হকচাংদা তোঙান তোঙানবা তমথীরবা লায়না কয়ানা নাহল্লক্লি। মসিগী মথক্তা দ্রগ অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী তুংগী মীরোলশিংদা য়াম্না চাউনা মাঙজবা পীরে। পোপি পান্বী থাবা থিংনবগীদমক অমদি পোপি পান্বী থারল্লিবা মীওইশিংনা অতোপ্পা হিংনবা লম্বী অমগীদমক থবক তৌবা ঙমজনবা চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টনা মালেমগী কৈথেলদা য়াম্না তাঙনা ফংবা হৈ-রা মখলশিং অমদি তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং থাননবগী থৌরাং পায়খৎপা হৌরে। অথুবা মতমদা পোপি পান্বী থারিবা খুলশিংদা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা হিংনবগী অতোপ্পা পান্বে ওইগদৌরিবা পোৎ চৈ থাবগী খুদোংচাবশিং অসি ফংহল্লগনি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেসকী থৌরম অদুদা সাইকুল খুলগী নিংথৌশিং, ইচমগী প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট, কুকি চীফ এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অমদি থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

ꯃꯥꯡꯈ / ORIGINAL CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Certificate of Class XII, bearing Roll no. 9617 of 2018 issued by COHSEM on the way from my residence to Babupara, Imphal on 13th January 2023. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Sapam Malemnganba Meitei**
Mayang Imphal
HL-P/5732/17

দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur
HL-B/7945/16/12-17/01

য়ুম চিংজরি অমদি থাঙ্গৎচরি

চহী কয়াগী মমাংদগী চত্থজরক্লিবা ঙসিসু লেপ্তুনা হোৎনজরি। য়ূম, শঙ্গোয়, কোৎ চাওরবা মান্দোপ্পচিংবা মমাই লৈথোক-লৈশিন, চিংথোক-চিংশিন অমদি য়ূমবু ৱাংনা থাঙ্গৎপনচিংবা কয়া অসি অচৌবা মচা খাইদনা মপোৎ য়াম্না চঙহন্দনা অমদি শেল মতম চঙহন্দনা মী ৩/৪দনা শুবা ঙম্মী। কনাগুম্বনা তৌবীনিংবা লৈরবদি মখাগী অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

***Pliz Contact : 9856356889 / 8837230047***
Heirok
HL-P/5733/17

**খনাউ মনুংদা নাকন অনীমক পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুদা নাই চারকপা, করিমত্তা চাবা-থকপা য়াদবা, তিন য়োৎপদা খনাউ নাবা, লাইহৌ তোয়না হৌবা, খনাউ মনুংদা চাথৎপা, কোক তোয়না চিকপা, হৈ অমদি অঙৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা তোন্সিলনা য়াম্না কন্না নাদুনা খনাউ মনুংগী নাকন অনীমক পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোরক্লগা লৈবা অদুদা নাই চারকপা অমদি চাথৎলকপা, করিমত্তা চাবা-থকপা য়াদবা, য়োৎশিনবদা য়াম্না নাবা, তিন য়োৎপদসু নাবা, খনাউদা লোক লৈবগুম তৌরগা লৈবা শিৎলুরগনা লোক য়াওরক্তবা, চাবা-থকপা য়াদবনা মরম ওইদুনা নোংম-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, লাইহৌ তোয়না হৌবা, কোক তোয়না চিকপা, হৈ অমদি পোৎ-চৈ অঙৈংবা চাবা য়াদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **O. Ibomcha Singh**
Thanga
HL-B/7959/17

শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নমঃ

পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইবু কোনবীরম্বী **সৌগাইজম নিংঙোল এলাংবম ওংবী সুহাসিনি (মেম্মা) দেবী**-না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূন্নমকপু থাদোক্লন্লগা হৌখিবা তাং ১৩-০১-২০২৩ ইং, ৱাকচীংগী ২১নি পানবা ইরাই নুমিত্তা গুরুগী কৃপাদগী বেষ ওন্দুনা শুনন্দি শ্রী কৃষ্ণ চৈতন্য দাসি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবণ প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৮-০১-২০২৩ ইং, ৱাকচীংগী ২৬নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা অষ্টি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৫-০১-২০২৩ ইং, ফাইরেনগী ৪নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরি নাম শ্রবন তৌবীরনবা পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রন কচ্চরি।

পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রন কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

**থৌরম পরেং ঃ-**
**অয়ুক পুং ৯.০০ - ভেক কৎপা**
**সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা - পুং ১২.৩০**

**সেবা ফংজরিবশিং ঃ-**
**এলাংবম নিংঙোল সৌবাম ওংবী টোকেশ্বরি (মচানুপী)**
**লাবন্যশ্বরি এলাংবম (মচানুপী)**

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১) এলাংবম ওংবী সত্যবতি দেবী | (মনাওনুপী) | ১) সৌবাম নিলধজ (ইনাওবী) সিংহ | (ময়ানুপা) |
| ২) এলাংবম নিংঙোল লৌরেম্বম (ও) মুক্তাবলি দেবী | (মচননুপী) | ২) এলাংবম বিক্রমজিৎ সিংহ | (মনাওনুপা) |
| ৩) এলাংবম রত্নকুমারি দেবী | (মচননুপী) | ৩) এলাংবম রোবর্টসন সিংহ | (মচানুপা) |
| ৪) এলাংবম নিংঙোল খুরাইজম (ও) গিতেশ্বরি দেবী | (মচননুপী) | ৪) এলাংবম ক্রিটিকুমার সিংহ | (মচানুপা) |
| ৫) এলাংবম ওংবী পামেলা | (মনাওনুপী) | ৫) থংলেন সৌবাম | (মশুনুপা) |
| ৬) এলাংবম নিংঙোল নিংথেমচা (ও) মহেশ্বরি দেবী | (মচানুপী) | ৬) অথোইবা সৌবাম | (মশুনুপা) |
| ৭) এলাংবম নিংঙোল মোইরাংথেম (ও) মহেশকিরন দেবী | (মচানুপী) | ৭) টৌরি এলাংবম | (মশুনুপা) |
| ৮) এলাংবম ওংবী সিলভিয়া | (মমৌনুপী) | ৮) ভিক্টর এলাংবম | (মশুনুপা) |
| ৯) এলাংবম মিতালি | (মশুনুপী) | | |
| ১০) এলাংবম তনিস্কা | (মশুনুপী) | | |

**কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়, ইম্ফাল**
HL-C/216/16, 17, 21

NIELIT Imphal
(An Autonomous Scientific Society ofMinistry of Electronics and Information Technology (MEITY), Govt. of India)
Akampat, Post Box No. 104, Imphal – 795 001, Manipur

**ADMISSION NOTICE FOR SHORT TERM COURSES DURING JANUARY2023**

| Sl No. | Name of Course | Duration | Timing | Minimum Eligibility | Total no. of seats | Class starting | Course Fee +Exam and Regn fee (inclusive of GST) (Rs) |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Certified Office Automation and IT Assistant (Course for Computer Operators) | 6 - months | 7:00 am to 11:00 am | Class X or appeared/ knowledge of English | 25 | 25th January, 2023 | *20914/- 236/- (for SC and ST candidate) |
| 2. | Certificate Course on Computer Concepts (CCC) | 80 hours | 7:00 am to 9:00 am | Class X or appeared/ knowledge of English | 40 | 25th January, 2023 | 5428/- 236/- (for SC and ST candidate) |
| 3. | Diploma in Computer Applications (DCA) | 240 hours | 7:00 am to 9:00 am | Class XII passed | 20 | 25th January, 2023 | 11918/- |
| 4. | Tally - PRIME | 80 hrs | 9:00 am to 11:00 am | | 20 | 25th January, 2023 | 5900/- |
| 5. | Computer Application Accounting and Publishing (CAAP) | 200 hrs | 11:00 am to 1:00 am | Any Graduate or Under graduate | 30 | 18th January, 2023 | 236/- |
| 6. | Machine Learning using Python | 100 hrs | 3:00 pm to 5:00 pm | | 20 | 18th January, 2023 | 236/- |
| 7. | Installation & Repair of Consumer Electronics Products | 200 hours | 10:00 am to 1:00 pm | | 10 | 10th January, 2023 | 236/- |
| 8. | Multimedia Development | 200 hours | 1:00 pm to 3:00 pm | | 20 | 18th January, 2023 | 236/- |

HOW TO APPLY: Application can be submitted online through http://14.139.207.252:8080.
*50% concession on course fee for deserving candidates.
Contact for further details: 6009973231/7005854028 during 9:00 am to 4:00 pm on all working days (Mon – Fri).
**NOTE:-** Students must provide his/her WhatsApp no while submitting the forms.
HL-B/7982/17

**ADMISSION OPEN**

**FOR THE FOLLOWING COURSES**
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

**FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764**
**OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com**

**PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING**
**KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL**
HL-B/7972/11/1-9/2 (alt)

**COMET**
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
**TEST SERIES 2023**
**ENROLMENT OPEN FOR**
**NEET-UG (Medical) 2023**
➥ Exact NEET Exam format
➥ Post Test Analysis & Discussion
*Date of Form Issue from :- 12/01/2023*
*Seats are Limited*
Enrolment on first come first serve basis of admission
*For details please contact :-* COMET office between 10am to 4pm, Keishamthong Top Leirak Maning
HL-B/7974/12,13,15,17